# ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদরেসননা সঞ্জিতা চনুগী মথক্তা তৌরম্বা দোপিংগী চার্জ হন্দোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবী ৱেটলিফটর সঞ্জিতা চনুগী মথক্তা ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না তৌরম্বা দোপিংগী চার্জ হন্দোকখ্রে। ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (দব্লিয়ু এ দি এ) গী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না আই দব্লিয়ু এফকী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মশাগী চহী ২৬ শুরবী সঞ্জিতা চনুনা হায়খি মদুদি মরম চাদনা অৱাবা পীদুনা লাকখিবগীদমক লাল্লে হায়জবগা লোয়ননা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীফম থোকই।

দোপিংগী ৱাথোক অসি হেক থোরকখিবা মতম অদুদগী সঞ্জিতানা হীরমসিদা মহাক্কী মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

আই দব্লিয়ু এফনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, সঞ্জিতাগী সেম্পল লৌবদা কাঙলোন চুমদবা থৌওং খরা চথখিবগী খুদম ফংলে হায়না দব্লিয়ু এ দি এনা খঙহল্লকপদগী ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদরেসননা সঞ্জিতা চনুগী মথক্তা শীরম্বা মরাল খোঙফম হন্দোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।



হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা সঞ্জিতা চনুনা হায়খি, দোপিংগী চার্জতা চেন্নদে হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লকপসিদা অপেনবা পোকই। অদুম ওইনমক অথিংবা থম্লক্তুনা শাংলবা মতম কয়া অরেম্বদা মাঙহনখিবগী মতাংদা খন্নফম থোকই। মদুগীসু মথক্তা দোপিংগী চার্জ মায়োক্লখিবা মতমদা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লখি। মরম অদুনা চার্জ হন্দোক্লে হায়বা ৱাফম অসিনা লোইশিনবা চুমদে। লাল্লে হায়জবগা লোয়ননা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীফম থোকই।

দোপিংগী চার্জ মায়োক্লরিঙৈদা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা সঞ্জিতা হায়খি, ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদরেসননা দোপিংগী চার্জ তৌরকখিবনা মরম ওইরগা মালেমগী থাক্তা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অমত্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফমদি টোকিও ওলিম্পিক্তা ক্বালিফাই লইনবগী খুদোংচাবা ফংখিদবা অদুনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অচুম অরান খঙদনা শান্নরোয় অমগী পুন্সি মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা আই দব্লিয়ু এফপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা সঞ্জিতা চনুনা হায়খি, অতম্নগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াহন্দনবা আই দব্লিয়ু এফনা চথখিবা থৌওং অদুগীদমক লাল্লে হায়জগদবনি।

শান্নরোয় অমগী পুন্সিদা নোংমখক মতম মাঙবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মাঙ তাক্লিংঙাইগী মশক ওই। মতম শাংনা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমদা শরুক য়াহখিদবগা লোয়নন্না ওলিম্পিক গেমসতা মেদল লৌনবগী তাঞ্জা ফাওবা নাম্থোকহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# খূকউদা সর্জরি তৌখিবদগী রোজর ফেদররনা চহী অসিগী মেচ অমত্তা শান্নদনবা ফিরেপ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

গ্রান্দ স্লামগী টাইটল কুনলক ফংখ্রবা টেনিস শান্নরোয় রোজর ফেদররনা হায়খ্রে মদুদি হন্দক্তা খূকউগী ওপরেসন তৌখিবা মরম্না চহী অসিগী ৱাংহৌরিবা মেচ অমত্তা শান্নদনা ফিরেপ লৌরে।

য়েৎ থংবা খূকউদা ওপরেসন তৌখ্রবা মতুংদা হকচাংগী ফীভম চাদা ১০০ ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চহী অসিগী ওইনা টুর্নামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াররোই।

হৌখিবা জন্যুৱারী থাদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল মেচতা জোকোভিচকা শান্নখিবা ফেদররনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, চয়োল খরগী মমাঙদা য়েৎ থংবা খূউগী অশোয়বা চুমথোক্লবা অর্থ্রোসকোপিক প্রোসিজর তৌবা তাখি। হকচাংগী ফীভম চাদা ১০০ ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবদি মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াররোই।

কুমজা ২০২১গী সিজন হৌরকপদা মপূং ফানা শান্নবা য়াওদুনা মরুওইবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া লৌনবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মালেমগী মফম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ



শন্দোরকখিবা মরম্না মরুওইবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অয়াম্বা কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবনি। টেনিসকী ওইনসু অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অয়াম্বা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা অহানবা ওইনা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা থেংনখিবা কোরোনাভাইরসনা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরকপদগী মার্চ ১১ দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎপু 'পেন্দেমিক' ওইরে হায়না লাউথোকখি।

টেনিস মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী লীরবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদনসু তঙাইফদনা য়ৈথোকপা তাখি। কুমজা ১৯৪৫গী মতুং তারকপদা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপা হন্দক্না অহানবনি।

মথং চহীগী জুন ২৮দগীনা জুলাই ১ ফাওবা গ্রাস-কোর্টকী টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। ফ্রেন্দস টেনিস ফেদরেসন (এফ এফ টি) নসু রোলেন্দ গেরোসতা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্লমগী টুর্নামেন্ট সেপ্টেম্বর ২০দগীনা ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়রি। ময়েক্কীদি ক্লে কোর্টকী স্লাম অসি মে ২৪দা পাঙথোক্কদবনি।

গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট মরিগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইনা লৌনরিবা য়ু এস ওপনগী মতাংদা টুর্নামেন্ট অসিবু শীল্লি-লাংলিবশিংনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙম্লবদি হান্না লেপখিবা মতম ওগষ্ট ৩১গী য়ু এস ওপন হৌনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

পনবা য়াবদি, টোকিও ওলিম্পিক্সতা ফেদররনা স্বিটজরলেন্দগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারগা মেদল অমা শোয়দনা লৌগনি হায়না থাজবা থমখিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকপা তাখি।

# ৱিমেন্স ত্রাই সিরিজকী মতাংদা ঈ সী বিনা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা ৱারী শানবা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

চহী অসিগী মনুংদা ত্রাই সিরিজ অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদা ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দ (ঈ সী বি) না ইন্দিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট বোর্দকা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) অহুম অমসুং টি-২০ অহুম ইংলেন্দগা শান্নদুনা বাইলেটরেল সিরিজ অমদা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরম্বদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা নুপীগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদুসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা তাখি। অদুম ওইনমক ঈ সী বিগী চীফ এগজিক্যুটিভ টোম হেরিসননা চহী অসিগী মনুংদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ক্রিকেটকী মেচ খরা শান্নহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা তারবসু চহী অসিদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেচ খরা শান্নবা য়াহন্নবগী মতাংদা অতৈ অতোপ্পা লৈবাক খরগী ক্রিকেট বোর্দশিংগা ৱারী শানরি হায়না ঈ সী বিগী চীফ এগজিক্যুটিভ অসিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অহানবা তাঙ্ককী ওইনা ত্রাই সিরিজ অমা পাঙথোক্লবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) অমসুং ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকা (সী এস এ) গা ৱারী শানরি।

থেংলবদা সেপ্টেম্বর থাগী অদুৱাইদা ত্রাই সিরিজ পাঙথোকপা য়ানা লৈরি। হৌজিকমক্কী ওইনা সেপ্টেম্বরদা ত্রাই সিরিজ পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌবা তারবসু ইন্দিয়াবু শরুক য়াহনবা নৎত্রগা য়াহন্দবগী ৱাফমদি লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙম্বগী মখা পোনগনি হায়রি।

ইংলেন্দগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, য়ু কেদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস লাক্ষ ৩ লোম য়ৌরকপা মরম্না শান্ন-খোৎনবগী থৌরমদা লৈবাক অদু শরুক য়াহন্দনবা ঈ সী বিনা ৱারেপ লৌরে।

# ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২০দা এম পি এস সী অমদি কে আই ৱাই সী শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২০, অম্ফা কেলেন্দরগী মতুংইন্না চহীসিগী ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদগী হৌরগনি হায়না পান্নরিবা অসিদা ২৪শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মায়পাকপী ৱিন্নর'স কপ ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব (কে আই ৱাই সী) শরুক য়াবগী অয়াবা পীরে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরময় রোয়না থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমদা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ ক্লবকী প্লেয়রশিং সেন্ত্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম (সী আর এস) রেজিষ্টর তৌগদবনি। সী আর এস নম্বর অদু রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম মেনশিনবদা য়াওগদবনি। য়াওরক্তবা প্লেয়রশিং অদু ক্লবতা রেজিষ্টর তৌবগী অয়াবা পীরোই হায়না মেমোরেন্দম অদুদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সিজন দেট অমসুং রেজিষ্ট্রেসন পেরিওদকী অনৌবা মতম লেপ্লে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ২০২০-২১গী সিজন দেট অমদি রেজিষ্ট্রেসন পেরিওদ (ত্রান্সফর ৱিদো) গী মতম নৌনা লেপ্লে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরময় রোয়না থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

সিজন দেটনা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১দগী কুমজা ২০২১গী মে ৩১ ফাওবা ওইগনি। মেন এন্দ ৱিমেনগী অহানবা রেজিষ্ট্রেসন্না কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১দগী ওক্টোবর ২০ ফাওবা ওইগনি। ৱিমেনগী অনীশুবা রেজিষ্ট্রেসনগা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১দগী ৩১ ফাওবা ওইগনি। এমেচর প্লেয়রশিংগী ওইবা রেজিষ্ট্রেসনগা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১দগী কুমজা ২০২১গী মে ৩১ ফাওবা ওইগনি হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# মায়োক্লবা টিমগী মেনেজর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ফ্রেন্দলি মেচ কেন্সেল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

মায়োক্লবা টিমগী মেনেজর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফ্রেন্দলি মেচ অমা কেন্সেল তৌখ্রে।

ষ্টোক সিটিগী মেনেজর মাইকেল ও'নেলবু মঙারক হন্না টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রবা মতুংদা ইকোন কোনবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ষ্টোক সিটিগা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদগী মেনেজর অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা তাখি।

মেনেজর অদু শান্নরোয়শিংগী প্রেক্টিশ তৌফমদা নোংমতা ফাওবা থোরকখিদবা মরম্না ষ্টোক সিটিগী শান্নরোয় অমদি কোচ থোইদোক্না খুদোংথিনীংঙাই ওইদে। অদুম ওইনমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ফ্রেন্দলি মেচ কেন্সেল তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নোর্দন আইয়রলেন্দগী মেনেজরসু ওইরম্বা ও'নেলনা ষ্টোক সিটিগী মেনেজরসু ওইদুনা মরুওইবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি। ইংলিস ফুটবোল লীগকী রেগ্যুলেসন মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়নন্না লাইওং উৎথোরকপা তারবদি তঙাইফদনা নুমিৎ তরেৎনি মীয়াম মরক্তা চঙলোইদবনি।

লৈঙাক্কী ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈতবা তারবসু তোখায়না ময়ূমদা নাইতোম লৈদুনা লাইওং উৎথোরক্ত্রবা মতমদা অমুক হন্না মীয়াম মরক্তা থোরক্কদবনি হায়রি।

অদুবু, লাইওং উৎথোরক্ত্রবা মতুংদসু য়ামদ্রবদা নুমিৎ তরানিদি শান্নরোয়শিংগী প্রেক্টিশ তৌফমদা চঙবা য়াদে। টিম মেনেজর অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী আইসোলেসন্দা থমখিবা মরম্না এসিষ্টেন্ট মেনেজর বিলি মেকিনলেনা মতম খরা থৌ পুরগনি।

# স্পেনগী লা লীগা ঙসিদগী হৌনবা শেম-শাখ্রে

অক্করা, জুন ১০ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থা অহুমলোম য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা স্পেনিস লা লীগা হয়েংদগী হৌনবা শেম শাখ্রে।

রিএল মেদ্রিদনা বার্সেলোনাদগী পোইন্ট অনীখক হন্থনা লৈরিবা মরমনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা অঙম্বা থাক্তা শান্নদুনা পোইন্ট খ্বাইদগী য়াম্না ফংনবা হোৎনগদৌরি।



থা অহুমলোম লেপ্লুরবা মতুংদা নৌনা পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌরকপগী মতাংদা ওফিসল অমনা হায়খি, মার্চ ১২দা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা লা লীগা য়ৈথোকপগী ৱাফম লাউথোকখিবনি। হয়েংদগী মখা তানা মেচশিং শান্নবা তারবসু অতোপ্পা মীওইশিং য়েংনবগী খুদোংচাবা লৈরোই। ইন্দোর গেমগী মওংদা ক্লোজ দোরদা ওইনা মেচ পূম্নমক শান্নগনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক বার্সেলোনানা পোইন্ট ৫৮ ফংদুনা লৈরি। রিএল মেদ্রিদনা পোইন্ট ৫৬ ফংদুনা য়াম্না নক্লনা মতুং ইন্নরি। সেভিলানা পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি। পোইন্ট ৩৩ ফংলিবা রিএল বেটিসনা ১৩শুবা মফমদা লৈরি।

হয়েংদগী মখা তানা লা লীগা হৌবগা লোয়নন্না থাংজ নুমিৎতা বর্কানা মালোরকাগা শান্নগদৌরি। নোংমাইজিং নুমিত্তনা লোষ্ট ব্লাঙ্কোসনা এবারগা শান্নগনি হায়রি।

হয়েং সেভিলা অমসুং রিএল বেটিস শান্নগনি। ইরাই নুমিত্তনা অহানবা মেচতা গ্রানাদা অমসুং গেটাসে শান্নগনি। অনীশুবা মেচতা ভেলেন্সিয়া অমসুং লেভান্টে শান্নগনি। থাংজ নুমিৎতা এসপানয়োলনা অলাভেসকা; সেলটা ভিগোনা ভিলারিএলগা; লিগেন্সনা রিএল ভেলাদোলিক্কা অমসুং মালোরকানা বার্সেলোনাগা শান্নগদৌরি। নোংমাইজিং নুমিৎতা এটলেটিক বিলবাওনা এথলেটিকো মেদ্রিদ; রিএল মেদ্রিদনা এবার অমসুং রিএল সোসিদেদনা ওসাসুনাগা শান্নগনি হায়রি।

# নোভাক জোকোভিচ য়ু এস ওপনদা শরুক য়াররোই

ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

করিগুম্বা হন্দক্কী চহী অসিদা য়ু এস ওপন পাঙথোকপা তারবসু নোভাক জোকোভিচতি শরুক য়ারোইদৌরি। ফ্রেন্স ওপনগী থৌরাং তৌবদা মতম লৌবা ওইনা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।



চৈরকসিদা, য়ু এস টেনিস এসোসিএসন্না অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ু এস ওপনগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌগদৌরি।

সর্বিয়াগী ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর আর টি এসতা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা জোকোভিচনা হায়খি, ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদবা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংদা মখল কয়াগী অথিংবা থমগনি হায়বা ৱাফম তারে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংদা কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লগনি। মরম অদুনা শান্নরোয় অয়াম্বা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌরে।

অতৈ অতোপ্পা মশান্নশিংগুম টেনিস মশান্নদসু কোভিদ-১৯না অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, য়ু এস ওপনদা শরুক য়াবদা খুদোংচারোইদবা লৈবনা হন্দক চহীগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াররোই। মদুগী মহুত্তা ফ্রেন্স ওপনগী ওইনা শেম শারগনি।

করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোক্লমদবা তারবদি মমাঙ চয়োলদা ফ্রেন্স ওপন পাঙথোক্লমগদবনি। অদুবু তঙাইফদনা সেপ্টেম্বর ফাওবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকখ্রে।

খ্বাইদগী মমিং লৈরবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা ৱিম্বলদনসু কুমজা ১৯৪৫গী মতুংদা অহানবা ওইনা কেন্সেল তৌবা তাখি।

এসোসিএসন্না করিগুম্বা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌরকপা তারবদি ওগষ্ট ৩১দগী টুর্নামেন্ট হৌবা য়াই হায়না থাজনরি।

হীরমসিগী মতাংদা জোকোভিচনা হায়খি, মপান্দগী লাকপা শান্নরোয় পূম্নমক নুমিৎ ১৪নি ক্বারন্টিন তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রবনিনা শান্নরোয় অয়াম্বা শরুক য়াগনি হায়বা থাজদে।

RaDiant Group
Let Us Grow Together
Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

## Manpower Requirements

**Date of interview 10th June 2020 at 10:30am**

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -02:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| RaDiant Group Finance Dept. | Area Manager (AM) | 3-5 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 15K to 25K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Thoubal) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Kwakeithel) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| | | | | | |
| Arambai2020 | Digital Marketing Associate | 2-3 years exp. as an expertise in handling social media, Search Engine Marketing (SEM), Search Engine Optimization (SEO), sales and marketing and product sales strategy. | 1 | Graduate and above | 8K to 13K |
| Arambai2020 | Content Writer | 1-2 years exp.in professional content writing. | 1 | Graduate and above preferably English Honours | Negotiable |

HL-B/6196/4/6-3/6
Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

# জুন ২১দা এভর্টন অমসুং লিভরপুলনা মেচ শান্নগদৌরি




ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সী):

জুন ২১দা এভর্টননা লিভরপুলগা গুদিসন পার্কতা শান্ননবা থৌরাং লৌখৎপা লোইখ্রে। অহানবদা মেচ অসি অতোপ্পা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমদা শান্নগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বনি।

মর্সি সাইট দর্বিগী গুদিসন পার্কতা শান্নগদৌরিবা মেচ অসি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা য়েংহল্লোই হায়না লাউথোকখিবা তারবসু ফুটবোলবু পামজবা মীওই কয়া ষ্টেদিয়মগী মপান্দা তিল্লবা য়ারি হায়না থাজনরি।

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্লিবা মরমনা প্রেমিয়র লীগকী ৱাংহৌরিবা মেচ পূম্নমক কনাগুম্বা মীওই অমত্তা য়েংহন্দনা শান্নরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

লিভরপুলদা গ্রাউন্দ সেফটি এদভাইজরি গ্রুপনা হায়খি মদুদি গুদিসন পার্কতা লিভরপুল অমসুং এভর্টনগী মেচ শান্নবদা অয়াবা পীখ্রে। করিগুম্বা জুন ১৭তা শান্নগদৌরিবা মেচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অর্সিনেলগী মখূৎতা মায়থীবা তারবদি প্রেমিয়র লীগ অসি লৌনবগীদমক লিভরপুলনা ইভর্টন মায়থীবা পীগদবনি।

লিভরপুলগী দেপ্যুটি মেয়র ৱেনবি সিমননা হায়খি মদুদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা য়েংহন্দনা ক্লোজ দোরদা মেচ শান্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে। প্রেমিয়র লীগ মখা চথবা য়ানবগীদমক সিটি কাউন্সিলনা সেফটি সর্টিফিকেটনচিংবা পীরে।

চৈরকসিদা, ইংলিস সোক্কর ক্লব ষ্টোককী মেনেজর মাইকেল ও'নেল কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।

টিম মেনেজর পোজিটিভ ওইবা তারবসু ক্লব অসিনা প্রেমিয়র লীগতি মখা তানা শরুক য়ানবা শেম শারি হায়না মরী লৈনবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জুন ১৭তা প্রেমিয়র লীগকী মেচ অনী শান্নবগা লোয়নন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তা য়েংহন্দনা লীগকী মেচ পূম্নমক মথং মথং শান্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com